ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ

ꯊꯥꯡꯖ, ꯑꯦꯞꯔꯤꯜ ꯰꯲, ꯲꯰꯲꯲, ꯏꯝꯐꯥꯜ

꯴꯶ ꯁꯨꯕ ꯆꯍꯤ, ꯰꯱꯰ꯁꯨꯕ ꯃꯁꯤꯡ

হুইয়েন লানপাউ

থাংজ, এপ্রিল ০২, ২০২২, ইম্ফাল

৪৬শুবা চহী, ০১০শুবা মশীং

# অফস্পা লৌথোকপা হৌরকপা

## তরাম্না ওকফম থোকই

মণিপুরগী পুৱারীদা সনাগী মুক্না ইহৌরগদবা নুমিৎ অমা ওইনা মার্চ ৩১, ২০২২দা য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্টর অমিট শাহনা অৱাং নোংপোক ষ্টেটশিংগী মনুংদগী অসাম, নাগালেন্দ অমসুং মণিপুরদা চৎনহল্লকখিবা আর্মদ ফোর্সেস স্পেসল পৱর্স এক্ট (অফস্পা), ১৯৫৮ ষ্টেট অহুমসিদগী পুন্নৌ লৌথোকত্রবসু এক্টসিবু চৎনহল্লকখিবা মফমশিং হন্থহল্লগনি হায়দুনা মহাক্কী ত্বিটরদা ফোঙদোরকখিবগা ইকান-কান্নদনা মণিপুরগী পুলিস ষ্টেসন ৯গী জ্যুরিসদিক্সনশিংদগী এক্ট অসি লৌথোকখ্রে। মসিগী মতাংদা মণিপুর গভর্ণমেন্টকী হোম দিপার্টমেন্টকী মায়কৈদগী ওফিসল ওইবা ওর্দর অমা থোকখ্রে। অফস্পাগী মতাংদা য়ুনিয়ন গভর্ণমেন্টনা অৱাং নোংপোক্কী ষ্টেট ৩দা লৌরক্লিবা ফিরেপসি ষ্টেটশিং অসিদগী পুন্নৌ লৌথোক্ত্রবসু অদুগা অহানবগী ওইনা থা ৬কী ওইনা লৌথোকপনি, থা ৬/৬ খুদিংগী রিভিয়ু তৌগনি হায়রগসু য়াম্না ফবা অমসুং অচৌবা খোঙথাংনি। ষ্টেট ৩সিগী মরক্তা মণিপুরগী ওইনদি অনীরক শুরকপা অফবা খোঙথাংনি। মরমদি অদুঙৈ ইরোম চনু শর্মিলানা মণিপুরদগী অফস্পা পুন্নৌ লৌথোক্কদবনি, রিপিল তৌগদবনি হায়দুনা চহী ১০ হেন্না চরা হেনবগী খোঙজং চঙশিনখিবনি। মহাক খক্তা নত্তনা মণিপুরগী চীং অমসুং তমগী মীয়াম্না, মীয়ামসিগী লূপশিংনা মণিপুরদা আর্মদ ফোর্সেস স্পেসল পৱর্স এক্ট, ১৯৫৮গী সেক্সন ৩গী মখাদা ষ্টেট অসিবু দিষ্টর্বদ এরিয়া ষ্টেটসকী মখাদা থম্লগা এক্টসিগী প্রোভিজনশিং চৎনহল্লকখিবা অদু কুমজা ২০০৪দা মতমদুগী কোংগ্রেসকী ওক্রম ইবোবীনা লুচিংবা লৈঙাক্না ইম্ফাল ম্যুনিসিপাল এরিয়াগী মনুং চনবা এসেমব্লি সেগমেন্ট ৭তগী অহানবা ওইনা লৌথোকখ্রবনি। অহানবা লৌথোকখিবদু অপূনবা পুলিস ষ্টেসন ৬কী জ্যুরিসদিক্সনশিংদগীনি। অদুগা মার্চ ৩১, ২০২২দা হোম মিনিষ্টর অমিট শাহগী পাউতাক মতুংইন্না হায়বদি য়ুনিয়ন গভর্ণমেন্টনা লৌরকপা ফিরেপকী মতুংইন্না অনৌবা পুলিস ষ্টেসন ৯দগী অমুক লৌথোকখ্রবনিনা হৌজিক্তি এক্টসিবু চৎনহন্দ্রবা অপূনবা মফমশিং পূন্না পুলিস ষ্টেসন ১৫গী জ্যুরিসদিক্সনশিং ওইরকপনি।

প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা লুচিংলক্লিবা নেসনল দেমোক্রেটিক এলাইএন্স (এন দি এ) লৈঙাক্না লৌখৎলক্লিবা থবকসি মণিপুর খক্তা নত্তনা অসাম অমসুং নাগালেন্দগীসু য়াওহল্লক্লগসু অফবা, ষ্টেটশিং অসিগী মীচম মীয়ামগী অনীংবা, অপাম্বা ইহুল খঙবা খোঙথাংনি হায়দুনা লৌগদবনি। মরমদি এক্ট অসিগী মরুমদা মসিনা মথৌ শংলবা খূৎলায় পায়বা লান্মীশিংনা লালহৌবশিংগী মথক্তা কাউন্টর ইন্সর্জেন্সি ওপরেসন্স (সী আই ওপস) শিং চথরিবনি হায়দুনা মীচম মীয়ামদা চথখিবা থৌওংশিং ওন্থোক্না য়ামখ্রবনি, কোকথোং অমনি। অদুগুম্বা থৌওংশিং অদুদগী এক্ট অসিবু নোর্থ ইষ্টকী মীয়াম্না জঙ্গল লো, দ্রেকোনিয়ন লোনি হায়বা ৱাফমশিং ফোঙদোক্তুনা লাকখ্রিবনি। অদুবু হৌজিক ষ্টেট ৩দগী শিং নান্না, পুমতেং-তেংথোক্তুনা লৌথোক্ত্রবসু মফম খরদগী লৌথোরক্লিবা, মণিপুরগীনা হান্নদগী লৌথোরকপদুদগী খরগসু হেন্না হাপচিল্লকপসি তরাম্না ওকফম থোকই। মমাঙদা লৈখিবা লৈঙাক্তগী হৌরক্লগা হৌজিক লিংবদা ঙাইরিবা অনৌবা মণিপুরগী লৈঙাক্নসু লো এন্দ ওর্দরগী ফীভম শীংথানবা য়ানা ফগৎলে হায়বদগী, থবক ওইনসু ওইরকপদগী য়ুনিয়ন গভর্ণমেন্টনসু ফিরেপসি লৌরকপা শোয়দনা ওইগনি খল্লি। মরম অসিনা অসাম অমসুং নাগালেন্দগীসু য়াওনা মণিপুরগীসু লেমহৌরিবা পুলিস ষ্টেসনশিংনা কোনবা মফমশিংদগীসু তমথীরবা, মীওইবা খুন্নাইগী য়েক্নবা ওইরক্লবা ব্লেক লোসি মপূং ফানা পুন্নৌ লৌথোক্লবগী থবকশিং মখা তানা পায়খৎলকপা ওইসনু। মপূং ফানা লৌথোরকপসু ওইসনু । লোয়ননা হন্দক প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা লুচিংলিবা য়ুনিয়ন গভর্ণমেন্টনা লৌখৎলক্লিবা থবকসিদি মণিপুর য়াওনা ষ্টেট অহুমগী মীয়াম্না থাগৎফম থোকই। মীয়ামগী লৈঙাক হায়বসিদি মীয়ামগী য়াইফনবদা তৌগদবনি। অসুম্মাইনা মীয়ামগী ইহুল খঙনা থবক তৌথোরকপবু মীয়ামগী মীহুৎনা মীয়ামগী লৈঙাক্লোন খূৎপায়নদুনা মীয়াম্বু ৱায়েল থৌদা তৌবা দেমোক্রেসিগী অশেংবা মচৎ হায়বদু থোকহল্লক্কদবনি। হেন্না মশক থোকহন্নবা ষ্টেট অহুমগী ৱাৎহৌরিবা মফমশিংদগীসু লৌথোক্নবা হোৎনহন্নীংই।

## হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৩৯

১) অঙাংশিংগীদমক্তা ৱারী-শৈরেং মখলদা ইবা **“মেলাদা উৎখিদ্রবা সনারৈ”** হায়বা লাইরিক অসিগী অইবা কনানো?

২) **“মণিপুরগী চীংনুং মানুং, পাৎ লৌবুক অমসুং চম্না লেঞ্জবা পুন্সিগী অমম অঙানগী মচু পূন্নমক মহাক্কী খূৎইদা ফোঙদোক্নবা লাক্নরি। ৱাহৈ লীক্না শীজিন্নদুনা খজিক্তনা য়াম্না ফোঙদোক্নবা হোৎনদুনা মতাং অসিদা বিশ্বকবি রবীন্দ্রনাথ ঠাকুরগী ৱারীমচাশিং নীংশিংহল্লি।”** শক্লাইরবা ক্রিটিক এলাংবম নীলকান্তনা মণিপুরগী শক্লাইরবা ৱারীমচাগী অইবা অমগী ৱারীমচাশিংগী মরমদা হায়রম্বনি। ৱারীমচাগী অইবা অসি কনানো?

৩) ***“ঐগী থৱায় কিশিন্দুনা পায়রি নঙনা/নঙগী খুবাম্নুংদা, হে অশিবা!/মঙক্তা থৌরী থুরবা চৎনীংবা মফমদা চৎপা ফংদ্রবা/থৌরীগী মচিন অমনা মহাক্কী খূত্তা পায়রিবা/তাউবা হূই অসিগা মান্নে ঐগা। ঐগীনি হায়ববু/ঐনা কন্থোক্লিবা অহাঙবা অসিখক্তনি।”*** শক্লাইরবা কবি অমগী শৈরেং মতেকনি। কবি অসি কনানো মহাক্কী করি লাইরিক্তা য়াওবা করি শৈরেংদগী লৌথোরকপনো?

৪) রবীন্দ্রনাথ ঠাকুরগী **“গীতাঞ্জলি”** অসি মণিপুরীদা মী কয়ামুক্না হন্দোকখ্রে। অহানবা খূৎনম ওইনা মণিপুরীদা হন্দোক্তুনা ওক্টোবর ১৯৯৮দা ফোঙখিবা **“গীতাঞ্জলি”** অসি কনানা হন্দোকপনো?

৫) ***“মণিপুরী লোক সাহিত্য (মৈতৈ খুন্নাইরোল ফুঙ্গা ৱারী)”*** অহানবা শরুক, হায়বা লাইরিক অসিগী অইবা কনানো?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম এপ্রিল ১৫, ইরাই নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল **hueiyenliteraryquiz@gmail.com** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

# নোতানা নেতা ওইরকপা

**ৱাইরু-ৱাইরুবদা**

নুংঙাইজরিবনা, মীহুৎ অমা মীয়ামগী থবক তৌই, তৌদে হায়না মীয়াম্না ঙাঙনৈ, ৱারী তৌনৈ। মানা তৌরিবা থবক্তু তৌরগনা থবক তৌবগী থাগৎনৈ অমদি তৌদ্রগনা মাবু শীথনৈ। পোকপদগী হৌনা মশানা থাগৎলগা হরাউজরবা তাইবঙ মীনা মাবু মী অতৈনা ফেসবুক্তা, মাইক্তা, পাউচেদা থাগৎপীরকপা পামজৈ। মীগা শাগা খেন্নরক্লিবসি থাগৎপগী মতাংস্বাইদা অদুম খুদম চাংদম পীবা য়াই। ষণ লাবা অমত্তা নহাক শমপোৎ খোইবা য়াম্না হৈ, নশক ফজৈ, নোয় চাউই, লেস্মী হায়না থাগৎপদা নোক্লদুনা মো মোগা খোঙলদুনা খৌশাদুনকা চেল্লক্লোই, নশক থী, মোৎলি, ৱাউই, হনুরে হায়দুনা ষণ হনুবী অমদা তিংখৎতনা শীথরুবদা ষণ হনুবীদু শাউদুনা করিসু মচি অতেকপদুনা ৱাইরগে হায়না নঙবু কোয়তান তান্নরক্লোই।

তমজনীংলিবনা, থাগৎলিবা অসি কনাগুম্বা অমনা কনাগুম্বা অমদা মনা মথুম চাউনা নৎত্রগা পীক্নবু ওইরসু পীরগা থাগৎপসু য়াই, শুপ্পতংগী নুংশিবা ৱাহৈ ৱাতা খরদংনা ইচম চম্না মোমোনতমক নোক্লদুনা চিন্না থাগৎপীবা য়াই নৎত্রগা মোবাইল ফোনগী মেসেজ অমনা কঙ্গ্রেচুলেসন! হায়না ইরগা ওইনা থাগৎপীবসু য়াই। চৎনরিবা থাগৎপগী মওং কয়া কয়ানি। শেল ইয়াও য়াওদনা অরাপ্পা মফমদগী মশা ইখঙ খঙহৌদনা সর্টিফিকেট অমা থারক্তুনা থাগৎপীরকপসু য়াওনৈ। থাগৎলক্লিবা অসি কনাগুম্বা মী অমনা তৌজরুবা অফবা থবক অমগীনি, মদু মশক খঙবীবনি। মী লোইনা হরাউফম থোকপনি মীনা থাগৎপীরক্লবদি। তৌজরুবা থবক্কী মহয়নি।




থেৎচিনজনীংলিবনা, মী অমনা ঈশৈ অমা সুর তানা সনা লৈবাক মণিপুর হায়দনা শক্তোরকপদগী মহাক ঈশৈ হৈ হায়বা খঙবা ঙমগনি। মানা য়ৈরিবা পূঙদু দুং দাং দুং দাং ফজনা থিন্দোরকপদগী মহাক পুঙ হৈ হায়বা খঙবা ঙমগনি। লাই ফজনা য়েকথোরকপদগী মহাক লাই য়েকপা হৈবা মীনি হায়বা মাবু মীনা খঙবা ঙমগনি। মী অমনা শেল চাই চাদে হায়না ফনা লাউ খোংজরগসু মদুনা মাবু মশক তাকপা ঙম্মোই অদুনা মাসু মানা শেল চাদবদগী মহাক শেল চাজদবা সাধুনি হায়বা খঙগনি। মীহুৎ অমনা ৱাদমক মঙাঙই, থবক্তি তৌদে হায়বসিসু মানা থবক তৌথোরক্তবদগী ইরায় লায়না খঙবা ঙম্মী। মী অমা মশামক তুলসি মনানি নত্তে হায়বসিমসু মানা তৌথোরকপা থবক্তগী খঙবীবা ঙম্বীগনি।

নোক্লিংলিবনা, ঐ শক য়াম্না ফজবা, রাশি চদুম চদুম য়ান্থবা মীনি হায়দুনা পাউচে ময়াম অমদা পংহাপ্তা হেক্তা হাপ্লগসু মীনা মাবু মশক ফজৈ, রিশি কাপুর মাল্লি, কাইকু মাল্লি, গোকুল মাল্লি, বালা মাল্লি, গেপেলিনা মাল্লি হায়বিরক্কদবা লৈতে। লাউদ স্পিকর হৌনা পাল্লগা অয়ূক, নুংথিল, নুমিদাং খাক্তনা মখোল ফজবা কনা অমা নেক্লগা পঙলাউদা লাউথোকহল্লগসু মীনা হেক্তা মাবু ৱারক্কী তয়াল অঙাংবা, ঙারি পরেং অচুম্বা মাল্লি কাইনা খনবিগদবা লৈতে। মানা মানা তৌথোরকপা থবক, মানা মানা উৎথোরকপা মহয়দু উর উরকান্দা মীনা মাবু থবক য়াম্না তৌই নৎত্রগা থবক য়াম্না হৈরে নৎত্রগা মশক ফজৈ হায়না খঙজবা ঙম্বনি।

নীংশিংজনীংলিবনা, অমুক্তা মশক মমিং তাদ্রিবা মীশক কয়াসু অথাপ্পা লমগী মী কয়ানা থাগৎপীরকপা তাবা য়াওখি। মদু মনা ফংলিবা মীশিংদুনা থাগৎপীরকপগী হরাউজরমগনি। মনা পীরকপা মখোয়বু থাঙ্গৎতুনা চূপ্পু চূপ্পীংলমগনি। মনা পীবা থাগৎপীরকপা থবকনি। অথাপ্পগী মীশিংনা মনা পীরকপদা শেল কয়া য়াওগন্দবা উই। শেল খরা খরা হাপ্পীরকপা পামজৈ অদুক ৱানা হোৎনজরকপা, চেঞ্জ চোঙজরকপগী মহয়নি অদুদি নত্তনা লেপটোপ অমগা কলর প্রিন্টর অমগনা চে অমা হেক্তা নম্লগা পীরকপা মানবা অদুগী মওংদি তৌশনবীরক্কনু। মনা ফংলিবা মখোয়বু থৌগত্তনা থৌগৎলবদি শেল য়াওনসু খরা থৌগৎপীয়ু অথাপ্পগী মীশা!! থবক্কা মনাগা চানদবা, মনাগা থবক্কা চানদবা... য়াওদবা নৎফাত্তে।

হায়দোকচনীংলিবনা, মতম কুইনা হিংজিল্লক্লবনিনা মীনা হায়বদং হেক মতারগা মহৌশাদৌনা য়াম্না থাজগল্লম্বদুসু লৈশিল্লক্ত্রে। মনাগা থবক্কা মনানা হেল্লগা থবক্না ৱাৎখিবগী হন্দক্কী ভোট পীবদি ঐ কন্থি থোক্না শাউনীংলক্তনা নোতাবু নেতা ওইনা লৌজরগা মঙোন্দা ওইনা ননাই য়াক্কী ভোটকী খুদোল তৌজখ্রে। মনা হায়রগা ঐনা চেদা নম্বা সর্টিফিকেট অদু ঙাক্তা নত্তে, মীনা পংথাদা থাগৎপা অদুবুসু য়াওননি হায়জ রিসে। নাখৈ ইশেং শেংনা ঐনসু পামজরবা ইলেক্সন কম্মিসননসু কুবিরে হায়রবনিনা মদুদা ননাই য়াক্কী ভোট থাদজবদা খরা কোম্না থোকচখি। মতম কুইনা মি: নোতা সিংহনা নেতা ওইনা লৈজখিসনু। ঐগুম্বা অমদা নেতাসি ওন্থোক্না মমল লৈনা নুংশিজখ্রে। নোতাবু পুন্সিহঞ্জনীংই। নোতাবু চাক্লৌজনীংই। করিগুম্বদা।? ●

# ঙসি ফাওবদা করি তৌবা ঙম্লবগে

**নবকুমার ওইনা**

ঙাঙবদদি চহী লিশীং অনী নিংথৌ পাল্লক্লবনি হায়রিবনি। খুভম অদুদি কনবা ঙমদ্রে অদুগসু লৈবাক অমা ওইনা অদুমক ঙাঙনৈ, চাউথোকচৈ, নাপলবু কানৈ। নাপল অদুমক্তি কাঙলূপকী থাক্তা হন্থনখ্রে। নাপল অনৌবসিদি লৈবাক অমা ইশানা নিংথৌ ওইনদুনা পাল্লিঙৈ অদুদগী শরুক চাম্মা-চাম্মা হেনগৎনরক্লি, ফুরুপ খুদিং মালেমগী থাক্তা ৱা ঙাঙনরক্লে। ৱা খুদিং নাপলগী ৱা মাল্লক্লি। তৌরিবা থবক অসিনা করি ওইরিবনো হায়বদি নোংমা-নোংমগী চমম্নবা হেঞ্জিল্লক্লি, ৱা ওইনা ঙাঙনববু হৌদ্রিবগুম্বনি। ঙাঙনরিবা অসিদা থবক ওইগদৌবা ৱানা করম্বনা ওইগদৌরি খন্দোক্নবা লোইবসু মান্দরি, য়েৎনরি। ঙাঙথোক্তবা থবক্না ময়াম উরক্লি।

ঙক্লিবদি লৈরিবা থাক অসিদসু লৈবাক অমা ওইরিঙৈগী ৱাখলগী থাক অদুম মানবসিনি। খৎনগদৌবনি, চৈনগদৌবনি হায়বসু নত্তে, থৌশিলদুগা ঙাঙলিবদুগা চানদবা মানবসিবুনিদা। লৈঙাক্না নত্তে, মীয়াম্না নত্তে, মশানা তৌবা শাবা অমা য়াওরক্লি। লৈখিদ্রবা নিংথৌ হায়বদুমক মাল্লকপা অসিবু কদায় ফাওবা চুম্লবা হায়বদুনো? অসুম্না অসুম চথরবদি লৈবাক অমা হায়বদুদি করম তৌবা তারি। অসুম খন্দুনা শান্নবা অসি ফাওবা ঙক্না থোক্লি। থবক ওইনা তৌরিবশিংদি ঙক্লমদবসু য়ারি। থবক তৌরিবশিংনা অঙকপা পোক্ত্রবসু অউবা ঐখোয়না ঙকপসু য়াইদনা। করিগীবুদি অথিংবা লৈবগে, ৱাখল খনবা ফাওবা থিংবা য়াব্রদো, নেটতা হেক থাগৎপগদি থিংবা য়াওনরিবনি। ৱাহংতা হংই হায়বগীসু শাওবা য়াওনরিবনি। খঙদ্রবদি হংববু কৈদৌবগে, অদুসু নিংথৌ অমদা হংলুরবা ওইবসু য়ারিবনি। নিংথৌদা পংহং হংবদদি কদায়দগী চুম্লদগে? অদুনবু নিংথৌসি নমশিন শিনবককাসু য়াওনরিবনি। থবক অদুদি লুচিংবা অমনা তৌবনি হায়রিবনি। চিংবা য়াবা লু (কোক) ময়াম লৈত্রবদি কনানা চিংলগা চৎপা য়ারদগে, হৌজিক তৌরিবসি মদু মানশিল্লক্লি। লু লৈতনা লুচিংবা লাকপা য়াবা নত্তে। লুরিবসি মতাং অসিদনি, মকোক্তমক থৌরকপা মমৈ পান্দবা রেলগাড়ী, তোংফম য়াওদবদুনি। মফম হোংবতনি, কান্নফম খঙবা নত্তে, মমৈ পাল্লগা থৌবা হৌদ্রিবা হায়বা তারে, কান্নদ্রিবনি।

মীওইবনা পুল্লপ লৈবা হৌরকপদগী মপাঙ্গল কনবা নৎত্রগা মরৌশিং লৈবা অমনা লুচিংবা ওইনরকখ্রবনি। মমিং পন্দনা কান্নরিবদি লুচিংবদুবু শৌগৎলিবা ফম্নাইবা নৎত্রগা লান্মীশিংদুনি। লুচিংবা অমনা অনীংবা থবক কয়া তৌবা ঙম্লল্লিবসি ফুরুপশিং অদুগী লান্মী ওইরিবা মীয়াম অদুগী মপাঙ্গল অমসুং হৈশিংবগী মখা পোল্লম্লিবনি। হৌজিকসুনি মীয়ামগী লৌশিং য়াওদনা ফুরুপ অমনা চনিং তানা হিংবা ঙম্লগনি হায়বা লৈতে। মরমসি লৈবনা ঙসিদি মহৈ-মশীন তন্বীবগী তঙাইফদবা অসি খঙনরক্লবনিদি হায়রগা করি ওইনা তমগদগে হায়বদুদি ময়েক শেংনদ্রিবনি। মতম অমদদি লাই নীংগনি, থাঙ-তা তমগনি, লাই-লিক তম্বা হায়রগা পুল্লম্লিবনি। থুমলুক শাবা, থৌরি তাবা, থাঙ-তা শাবা, নুপীশিংগীনা লং নায়বা, ফি শাবা শিন্নাইফম কাবা হায়বসিনা লুচিংবশিং শৌগৎতুনা লৈবাক অমা ওইনা পানবা ঙম্লম্বদগী ফুরুপ অমা শাগৎতুনা হিংবা ঙম্লম্লবনি। ঙসিদি লৈবাক ওইনা লৈত্রে, ফুরুপ ওইনা লৈবসু ৱারে অয়াম্বনা তোৎশিন্নরে, করিবু তৌবা তারি খঙলবা নৎত্রি। কাউশিং-কাউরা পুল্লপ তাওথববু কবি ওইনা ফজবা শৈথাবগী শৈরেং মরাং কায়নদি লৈরবনি। লৈবাক ওইনা নুংশিবগী ৱারেং-শৈরেং ময়ামসিগী মরক্তা ফুরুপ অদুমক্তি মুৎপা হায়বদুদা লৈরবনি। নুংশিবনা হিংবা ঙম্লগদৌবনি হায়বা লৈতে, শৈরেংনা লৈবাক শেমগৎলি হায়বদুদি থায়নগী তাগদৌরি।

ৱাখল অরিবনা থবক অনৌবা তৌবা য়াগনি খনবসিমক মায়থীনবগী অচৌবা মরম অমা ওইগদৌরিবনি। মায় পাকপসি ৱাখলগী মখা পোল্লিবনি, মায়থীবসু ৱাখলদুনা শেমজবনি হায়বা অদুমক্তি খুমাঙ চাওশিনবা (থবক্না কোল্লবসু) ওইগদৌবনি। ত্রেনিংদা লৈরগা লুচিংবনি হায়বদি থবক্না য়ারকপা হৌনদে। থবক খুদিং ৱাখলদা শাগৎলবা ওইগদৌবনি, থবক্তু চথ-চথনা শেমদোক শেমজিন তৌবা ঙম্নরিবনি। ৱাখলদা লোইদনা থবক্না খুমাঙ লাম্বা হায়বসি শগোলদা তুবা তন্বীবা হায়বদুনি, চেনবদি হৈররোই। মহৈ মশীন তন্লিবশিংনা মীগীদা থবক শুরুনবা অদুতা খল্লগা মীনাইদু ওইদবা য়াদে, শেল তান্দবা য়াদে হায়বসিখক তন্লগা হল্লকপা মতমদদি ময়ূম, মনাৎ, মরৈবাক হায়বদুদি উবা ফংলরোই। অনৌবা মীরোলদা মীরৈবাক করিনো তন্বীদ্রবদি অনৌবা লৈবাক হায়বা অমা লৈবা য়ারোই হায়বসিনি। হিষ্টরিকেল ওইদবা য়াই, পোলিটিকেল ওইদবা য়াই, ঙম্লবদি য়াদবা লৈতে। ইথনিক ওইদবসু য়াই।

ইন্দিয়াদু ভারত ওইরক্লি, লুরক্লিবদি মকু ওইরিবা ঐখোয় ওইরক্লি। লাই লাৎপা তোক্লরক্লবা মতমসিদা লাইগী লৈবাক অমা শাগৎলক্লিবা মাল্লক্লি। লাইদা লাইখায় তাদবশিং কঙাওনবা মশানা তারকপনি। লৌ উরি, চাক চারি, লেম্না চেঙ য়েল্লি, ফিদি শেৎলিদনা হায়বসিনা হিংলি হায়বদি য়ারোইদৌরি। ইশাগী নাট, ইপা-ইপুনা থম্বীরম্বা লৌ ইঙ্খোল য়োল্লগা চারক্লবনি। ইপা-ইপু কাউরক্লববু কদায়দগী লাই, করিগী উমংলাই, খায়জিল্লগা চাবা খরনা হিংলগনি হায়বা লৈতে। মনিং হন্না চৎপসি খুমাঙ চাওখৎপা ওইনা উবা লাল্লিবনি। পঙনুংদা নুংঙাইবশিংদি অপঙ অদুম তাগদৌরি। থবক শুদনা নুংঙাইবা লৈতে, হুমাং তানা নুংঙাইবা হায়বসিমুক নুংঙাইবা অতৈ লৈতে। হুমাং তানিংদনা নুংঙাইবা য়ারোই।

মিনা মহুম শাবদা তরাতরুক্লক নান্থবদু মশীং থিগদৌবনিদু ওইরমদ্রে। মতম কায়থোক্লগা ঙায়রগা য়েংবদু ওইরম্লে, ঙায়বদুনা খঙলক্লিবা অদুমক থবক অমদসু কান্নবা ফংগনি হায়বনি। ঐখোয়গী লুচিংবনা কনা ঙাইরিবা, মীয়াম্না করি ঙাইরিবা, মী অমা ঙাইনবদু নত্তে, খোঙথাংদুনি। চেল্লিবা শগোলশিংদু মখোঙতমক উহল্লগা শা মশীং থিবা হৈবা তারক্লি, উদবদি কমদৌনা খঙগনি। উরিবা অসিফাওবা খঙবা ঙম্নদ্রবদা করি ঙাইখিবা তারি। থায়না নিংথৌদুনা মপাঙ্গল কল্লম্লবসু করি তৌনরি, খুভম মুৎখ্রে। ঙসিসু লোইপোৎ থৌবগী হৈনবী মাঙদ্রিবরা, লূপ অমত্তদা থাজবা ঙম্নরক্ত্রে। মল্লবা য়ূমসি ঐগীনি হায়বসি কনানসু শিংথানবীদ্রে। তোলোপ পীদবা সিফাইশিংগা লান তৌগনি হায়বা য়াররোই, নিংথৌ শাবা য়ানদ্রে, তোক্লখ্রে। করি তৌগনি খঙনদ্রে হায়বনি। অখঙবা মাল্লিবশিংনা করিসু তৌবা ঙম্লোই, তুরেল অদুদ্রা অমদ্রা অদুমক তাওথখিগনি। য়েংলিবশিংনা লাই নীংলগা য়েংদুনা লাই তোংশিন্নরগা লাইরোল-তিল্লোনগী শৈরেং থিদুনা মতম লেনগনি। মশাগী মতম হায়বা অদুমা শাগৎপা শুকঙম ঙম্লোই। মমিৎ তাংবদুনা হংলক্কনি, ‘নখোয়গী জগোয়দুবু হৌদ্রিবরা’ পুঙখোলদি অদুম তাবদুনি হায়গনি।

লাইদুনা মীগীদমক অফ-নুংঙাই পীরক্কদৌবদা মীনা লাইদা অহাও অথুম পীজদুনা লৈরে। লাইদুনা মীগীদমক শিবীগদৌবদা লাইগীদমক মী হাৎনদুনা লৈরে, লাইগীদমক মীনা শিবিরে, ওন্ন-তৈনরে। লাই খূৎনীংসি ওন্নবা য়াওরে হায়বনি। লাইদু লৈরমদবা থোক্লবদি মী কাঙলূপ অদুদি মুৎলগনি, মুৎচরগে হায়রিবনি। লৈবাক অমা হিংনবা লাই নীংনরিবনি, লৈবাক মুৎনবা লাই ওন্থোক্নরি। হৌজিক্তি হিংখিগে হায়রবদি লাই নীংবা তোক্কদৌবনি নৎত্রগা লাইদু ওইয়ু হায়বনি। হান্নগীসু অদুনি, অদুম মান্নে, খঙনহৌদবগী ৱাদুনি। অদুনবু করি তৌবা ঙম্লিবগে হংনরক্লিবনি। হংনরবসু করিসু তৌবা ঙমগদৌবা মান্দ্রি। থবক ওইনা তৌরিবশিংদি ৱাবু অমত্তা ঙাঙনদে, মদুসু উবা ঙম্নরোই, মীগী মতৌ য়েংলগসু শৈরেং থিনরগা লৈগনি। মশাদা মুৎচনবগী শাজৎনা য়োমদুনা পোক্লক্লবসু লাইদা খরা তায়না, য়ূম থংনবদা খরা তায়না, দ্রগ চাবদৌনা মীগী মপোত্তদা মমিৎ থম্লগা লেল্লিবা হায়বদুনি। মশা নোমদুনা হৌদোকপদা তাদ্রবা হায়বসি শিরে খঙলগদৌবনি, অদুনবু মুৎলে হায়রবনি। হিংনীংই হায়বখক্তনা য়ারোই, হিংবা পাল্লিবশিং পুনবা চঙই, পুনবা হৈতবশিং লমশি চিংই হায়বনি।

ফুরুপ মমিংগীদমক শিবা ঙমখিবশিংদুগা ফুরুপকী মমিং হোংলবসু হিংবা ঙম্লিবশিংগা কনানা চুম্লিবগে? মিংথোন্দি চাম্মরক হোংববু য়ানরি। মমিংসু মাঙখ্রবা মশাসু চায়খায়রগা মাঙখ্রবশিংগীদি করিবু লৈরিবগে? তূম্ফম চাফমসু লৈরক্ত্রবদা চহী লিশীং অনীগী ঈশৈগা শৈরেংগা অদুম থিদুনা লৈনরিবনি। অদুবু থবক্লি হায়গদৌরিব্রা, করি তৌরিবগে হংবা তারকপদুনি। মুৎচনবা শাজৎ হায়বসিদি হংবদসু শাওনরিবনি, মথক্তা শেম্বাং পাইবা য়াদবা মোইরাং-শা হায়রিবদু পুনশিল্লগা হাৎখ্রিবনি। লাল্লোং য়াওদবা লানদু লাননি হায়বা য়ারোই। হিংববু লাননি হায়বা য়াদবসু লৈ।

হিংবসি আর্ট অমনি হায়নরে, জগোয়-ঈশৈদা তাওবদুদি নত্তে। পেনা খোংবা, থাবল চোঙবা অদুনদি য়ারোইদৌরি, লাই হরাওবনসু য়ারোইদৌরি। হরাওবদা করিগী হরাওরিবনো কাউশিল্লক্লি, জগোয়দু লোইরকপদা ৱান্থরগা মীগী মতম্বাক্তা লৈরম্বদুনি। শেল লৌরগা য়োনখ্রবনি, পল্লোন কয়ানা খাখ্রবনি, করিদি তৌবা ঙমজগনি। শো মখুন্দা য়েংবশিং মালেমসি কোয়না য়েংবা চঙই, পীক্লবা লৈবাক তরাতরুক মনিং তমখ্রবনি, পুল্লিবা থৌরি তৎখ্রবনি। মিৎ পাংথোক্লগা য়েংঙু মঙফমদা চায়রম্বা হঙ্গাম মরূ ফাওবা হৌগৎলক্লি, হিংবা ফাওবা হঙ্গোইরব্রা? ●